# সহারাগী মপু সুব্রাতা রোই ফাননবা সুপ্রিম কোর্টনা খঙহনখ্রে

**নিউ দিল্লি, ফেব্রুবারি ২৬ ঃ** সহারা কম্পেনিদা শেল থাদরকখিবা মীওই অনিনা মখোয়গী ওইবা শেলফম লুপা ক্রোর ২০,০০০ হন্দোক্তবগী মতাংদা থারকখিবা কেস অমগী মতুং ইন্না সাহারাগী মপু সুব্রতা রোইনা কোর্ট অদুদা লাক্তবগীদমক ঙসি য়ুমশকৈশা নুমিত্তা সুপ্রিম কোর্টনা সহারাগী মপু সুব্রতা রোই ফাননবা হুকুম থোকখ্রে।

হুকুম অদু ঙসি লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী ৱাংবা কোর্ট অদুনা নন–বেলেবল ৱারেন্ট ওইনা সুব্রতা রোইবু ফাননবা খঙহনখিবনি। মহাক ফাদুনা মথং থাগী ৪ গী পুং ২ দা জষ্টিস কে এস রধাকৃষ্ণন অমসুং জে এস খেহারগী বেঞ্চতা পুথোররুবা খঙহনখি।

সাহারাগী লুচিংবা অদুনা মহাক্কী মমা শিবা য়াবা ফিভমদা নাদুনা লৈরে। মদুনা মরম ওইরগা কোর্ট অদুদা মহাক লাক্তবা য়াননবা হায়জরকখিবা ৱারোল অদু রিজেক্ট তৌখিবগা লোয়ননা মহাকপু ফাননবা ৱারেন্ট অদু ইসু তৌখিবনি হায়রি।

ঙরাং মীওই অদুনা কোর্ট অদুদা মশা লাক্তবা য়াননবা হায়জরকখিবা অদু য়াখিদবনি। মদুনা মরম ওইরগা মহাক্কী মথক্তা বেল লৌবা য়াদবা ৱারেন্ট অদু ইসু তৌখিবনি হায়রি। রোইগী উকিল রামাজেট মালানিনা মহাকপু কোর্ট অদুদা মশা লাক্তনবগী মতাংদা ফোংদোকখিবা ৱাফম অদুদা হায়খিবদা, লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী ৱাংবা কোর্ট অমনি। কোর্ট অদুনা ফিভম অদু য়েংশিল্লি হায়না ফোংদোকখি। উকিল অদুনা লক্ষনৌদা লৈবা সহারা হোস্পিতালনা পীরকপা মেদিকেল সার্টিফিকেট অমসু পুথোকখি। ওইরিবা রোইগী মমাগী ফিভম অদুদা মহাক মমাগা লোয়ননা লৈমিন্নবা অমদি মীওইবগী মীনুংশিগা লোয়ননা মেদিকেল গ্রাউন্দদা য়াবিনবা ৱাফম পুখৎলকখি। বেঞ্চ অদুনা মহাক্কী ৱারোল অদু লৈবাকপোকপা নুমিৎ ফাওবা য়াখিবনি। অদুম ওইনমক ঙসি য়ুমশকৈশা নুমিত্তা মহাক্কী হায়জবগী ৱারোল অদু নৌনা পুথোরক্তবনা মরম ওইরগা মহাকপু ফাননবা য়াথং অদু তৌখিবনি।

কোর্ট অদুনা মখা তানা ফোংদোকখিবদা, সাহারা হোস্পিতালনা পীরক্লিবা সার্টিফিকেট অদুদা মহাকপু কোর্ট অদুদা লাকপা য়ারোইদবগী চপ চাবা মরম পীরক্তে হায়খি। লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী ৱাংবা কোর্ট অদুনা সাহারাগী মপু অদুবু চৎলিবা থা অসিগী ২০ দা কোর্ট অদুদা মশা লাক্নবা খঙহনখিবনি। লোয়ননা ঙসি ফাওবা য়েংদুনা লাকখি। অদুম ওইনমক মহাক মশা লাক্তবনা মরম ওইরগা মহাকপু ফাননবা য়াথং অদু তৌখিবনি হায়রি।

# ইন্দিয়ান নেভিগী চিফ এদমিরেল দিকে জোশি ফম থাদোকখ্রে

**নিউ দিল্লি। মুম্বাই, ফেব্রুবারি ২৬ ঃ** মুম্বাইগী সমুদ্র খোংবান্দগী নোটিকেল মাইল ৪০ লাপ্পা মফমদা ইন্দিয়াগী সব–মেরিন আইএনএস সিন্ধুরাটনাদা থোকখিবা মৈ চাকপগী থৌদোক অমদা ওফিসার অনি শিখিবা অমসুং সেলর ৭ লৈখিদবা থৌদোক্কা মরী লৈননা ইন্দিয়ান নেভিগী চিফ এদমিরেল দিকে জোশি ঙসি য়ুমশকৈশা নুমিত্তা ফম থাদোকখ্রে।



থা খরগী মমাংদা থোকখিবা থৌদোক অদুদা মোরেল রেস্পোন্সিবিলিটি লৌবগা লোয়ননা নেভিগী মকোক অদু ফম থাদোকখিবনি হায়রি। এদমিরেল জোশিনা ফম থাদোকপগী ৱাফম অদু সরকারনা খুদক্তা লৌরে হায়রি।

দিফেন্স মিনিষ্ট্রিগী চেরোল অমদা ইন্দিয়ান নেভিগী মকোক অদুনা ফম থাদোকখ্রবা মতুং অনৌবা রিগুলর চিফ অমা খন্দ্রিবা ফাওবগী ওইনা ভাইস চিফ ভাইস এদমিরেল আরকে থাৱলনা ওফিসিয়েটিংদা ইন্দিয়ান নেভিগী মকোক ওইনা থৌ পুগদবনি হায়না খঙহনখ্রে।

শোয়বদগী থোকখিবা থৌদোক অদুদা ইন্দিয়ান নেভিগী লেফটিনেন্ট কম্মান্দার অমসুং অতোপ্পা লেফটিনেন্ট অমা শিখি। মখোয় সবমেরিন অদুদা ইলেক্ট্রিক ৱাঞ্চতা লৈবনি হায়রি। থৌদোক অদুদা শোকখিবা সেলর ৭ মক সি কিং হেলিকোপ্টরনা আই এন এস অশ্বিনি হোস্পিতালদা পুরক্তুনা লায়কন্নখিবনি হায়রি। সেলরশিং অদু সবমেরিন অদুগী অহুমশুবা কম্পার্টমেন্টদা থোকখিবা মৈ চাকপগী থৌদোক অদুদা থোক্লককখিবা মৈখুশিংনা মরম ওইরগা শ্বর হোনবা ঙমদবদগী জ্ঞান মাংদুনা লৈরমখিবনি হায়রি। হৌজিক সেলরশিং অদুগী হকচাংগী ফিভম খুদোংথিনিংঙাই ওইদ্রে হায়রি।

পুক্নিং ৱারবা দিফেন্স মিনিষ্ট্রিনা লৈবাক অসিগী নেভিগী লমদা থোকখিবা অনিশুবা খ্বাইদগী চাওবা সবমেরিন মৈ চাকপগী থৌদোক অদুগী মপুং ফাবা রিপোর্ট পিখৎলক্নবা খঙহনখিবা লৈখি। মমাংদা আই এন এস সিন্ধু রক্ষক মুম্বাইগী ডোকয়ার্দতগী লুপথখিবদা সবমেরিন মনুংদা পোকখায়বগী থৌদোক থোকপদগী ওফিসার অহুম অমসুং সেলর ১৫ শিখি। থৌদোক অদু মমাং চহিগী আগষ্ট ১৪ দা থোকখিবনি। হন্দক আই এন এস সিন্ধুরটনাদা অমুক হন্না খুদোংথিবা অদু থোকখি। অদুম ওইনমক সবমেরিন অদুদদি কা হেন্না অমাং অতাদি থোকখিদে হায়রি।

আই এন এস সিন্ধুরটনানা মহাক্কী তৌফম থোকপা থবক্তা মরী লৈননা মুম্বাইগী ডোকয়ার্দতগী লুপথখিবদা খুদোংথিবা থৌদোক অদু থোকখিবনি হায়রি। সব–মেরিন অদুনা মমাং চহিগী মে অমসুং দিসেম্বর থা ফাওবগী ওইনা রুটিন ওইনা এক্সরসাইজ অদু পাংথোক্কদবনি হায়রি। তৌফম থোকপা থবক্কী পরিং অমা ওইনা ৱেষ্টর্ন নেভেল কম্মান্দসকী য়াথং মতুং ইন্না য়েংশিনবা য়াওদনা সবমেরিন অদু ক্রু মেম্বরশিংগা লোয়ননা ঈরোলনুংদা লুপথহনখিবনি হায়রি। সবমেরিন অদুদা পুন্না মীওই ৯৪ তোংখিবনি।

# অচুম্বদু খঙমিন্নসি

## কংলৈপাক্কী নিংথৌশিং –২

*ঙসিগী সাইন্টিফিক এজ অসিদা হিরম খুদিং সাইন্সনা প্রুফ তৌবা ঙাক্তা চুমগনি হায়বসি চুমদুনা লৈরবসু সাইন্সনা প্রুফ তৌবা য়াদবা হিরমশিং লাল্লি, অচুম্বা ওইদে হায়রুবদি য়াদে। সাইন্সনা প্রুফ তৌবা ঙম্বগী ৱাংমদা লৈবা হিরমশিং মণিপুরদা অচুম্বা ওইনা লৈবা কয়া য়াওরি। মণিপুর কংলৈ লৈকোইপুং চীংলৈবাক অসিগী পুৱারীসু, হৌজিক হেক্তা সাইন্সনা প্রুফ তৌবা য়ারোইদবা মওং অমদা, মতমদুদা লাইগা মীগগী মরক্তা শাগৎখিবা লৈশেমলোনগী ৱারীনি। অদুবু কলমসিদা কংলৈপাক্কী ৱারী খজিক খজিক ৩৩ এদিদগী হৌরগা লৌখৎপনি। খৃষ্টগী মতুং হায়বদি ৩৩ এদি অসিদা মতমদুদা কংলৈপাক্কী কোন্নচক (কলি) কী কুমশিং (চহি) ৩১৩৫ শুরে। ৩৩ এ দি দা পানখিবা কংলৈপাক্কী নিংথৌ অসি নোংদা লাইরেন পাখংবানি। নোংদা লাইরেন পাখংবদগীনা নাউখম্বা ফাওবা নিংথৌ তরেৎ অসি মখোয় মখোয়গী শিছা লোয়রগা মাংখি। ৩৩ এ দি দগী ১৫৪ ফাওবা চহি ১২০ নিংথৌ ওইখিবা নোংদা লাইরেন পাখংবসি কমদৌনা কংলৈপাক্তা শাফোংলকখিবগে খঙমিন্নসি।*

***ঙরাংগী মখা***

***পাখংবা ঃ*** *নোংলুম মাবু মথাদা চেংনা কোনজবদা মোমনু মাদি খোইজি মিহুল লাংখরে। অসুন্না চরৈ ফিন্না ফিয়োম শানা লোইদাম থাবুম কয়া চেংনা কোনবদা লোইদাম ইঙা থানিল থাজনা মপুং মরৈ ফাবা শগোলশেলদা কোরৌহনবগী মপারীনা নমু তাইবং ওইনা ফাওবগুম মপারী অমা ফংজরে। মতম অসি খৃষ্টাব্দ তরেৎ শুবদনি হায়না সনা পুয়া পিবা নাউদ্দালোনদা পল্লি। কোরৌ নোং অৱাংবদগী লাই অথোইবা লাইরেন (তুবী য়োইনোংদা) না তারকপগুম কুম্নলকপনি হায়বগী মপারিগী মিংলেনবু নোংদা লাইরেন পাখংবা থোনখি।*

*কলি (কোন্নচক) কুমশিং ৩১৩৫ (খৃষ্টাব্দ ৩৩) দা লৈনুং চাখা য়াবিরোক্কী মপারী নোংদা লাইরেন পাখংবা মশাগী চহি ২৭ চঙলকপা কালেন থাগী থাংজ নুমিত্তা নুংজেং ঈরেনগী ঈশিং শোক্লগা নিংথৌ হৈবোংঙাং থাঙাংলেনগী মমোম পোইরৈতোনগীনা মচল ইবেম্মা লাইস্নাগা লোয়ননা লাইজ ঈশেং হৈদুনা ঈরুজরগা অঙোম, লুৱাং, মোইরাং, খুমন, চেংলৈ, খা–ঙানবা পিবা তরুক্কী মমাঙদা কংলা মেন্দা তোংদুনা পোইরৈ কংলৈপাক্কী নিংথৌ অমদি লৈবাক লৈমা হাপ্লে। নোংমা মৈতে লৈমা লাইস্নানা মবুঙো পাখংবদা ইশাবী নহাক্না অয়ুক নুংথিলদা নতিক নথৌনা লৈবা খোয়ুম লাইগুম লৈবাক ৱায়েল থৌদাদুনা লৈরগা নুমিদাংদনা কন্না খঙহন্দনা মী ওইদুনা কোয়না চত্তুনা লৈবসি কন্নাগুম্বী শকহেনবী চনু নিঙোলবু মরুম্বী ওইনা থমৱা ননাওগী পুক্নিংদা চিংনজে। ঐসু ইবুঙোগুম্না ইতিক ইথৌনা লৈবী মীসু লাইসু ওইজগে হায়রক্লে। লাইস্নাগী ৱাদু তাবদা পাখংবনা মোমোন নোক্লগা ইবেম্মা ঐহাক্তি তুবী য়োইনোংদাগী লাংওন ওইনা কোরৌ নোংমদোলথক্তগী কুম্লক্লগা নিংথৌ ওইরৈ হায়বগী ঐগী ইমিংবু নোংদা লাইরেন পাখংবা থোনবনি।* – মথং মথং

# মেত্রো সিটিশিংগী মরক্তা দিল্লিনা পোকপা কুইদ্রিবা অঙাং শিবগী চাং খ্বাইদগী ৱাংলি



**নিউ দিল্লি, ফেব্রুবারি ২৬ ঃ** ইন্দিয়াগী মেত্রোপিলিটান সিটি মরিগী মনুংদা লৈবাক অসিগী কোনুং ওইরিবা নিউ দিল্লিনা পোকপা কুইদ্রিবা অঙাং শিবগী চাং খ্বাইদগী ৱাংলি হায়রি।

ইং ২০১০ অমসুং ১২ গী রেকোর্দ মতুং ইন্না পোকপা কুইদ্রিবা অঙাং ১০০০ গী মনুংদা ৩০ দি শি হায়রি। রিপোর্ট অদুগী মতুং ইন্না পোকপা নুমিৎ ২৮ নিগী মনুংদা সহর অদুদা অঙাং শিবগী চাং অসি চাদ ৬৪ নি হায়রি।

হৌখিবা থা খরদদি অঙাং শিবগী চাং অদু ১০০ দা ২৫ ওইনা হন্থরকখি। মদু নিও–নেটেল মোর্টালিটি রেট হন্থরকপগী খুদম অমনি। অন্তরজাতিগী ওইবা রিপোর্ট মতুং ইন্না নৌনা পোক্লকপা অঙাংশিং কনগদবনি। লোয়ননা অঙাং খুদিংমক হিংবগী হক ফংহনগদবনি হায়বা খোংথাংগী মনুং চন্না থবক পায়খৎপা হৌখ্রে। অন্তরজাতিগী ওইবা রিপোর্ট অদুগী মতুং ইন্না ইং ২০১২ দা পোকপা নুমিৎ ২৮ নিগী মনুংদা লৈবা অঙাং মিলিয়ন ৩ শিখি। অদুগা পোক্লবা মতুং পুং ২৪ গী মনুংদনা অঙাং মিলিয়ন ১ রোম শিখি হায়রি। লৈরিবা ফিভম অদুগী মতুং ইন্না ইন্দিয়াগী মেত্রোপোলিটান সিটি অমা ওইরিবা চেন্নাইনা অঙাং শিবগী চাং অসি খ্বাইদগী হন্থে। লমদম অদুদা অঙাং ১০০০ গী মনুংদা ১৫ খক্তমক শি হায়রি। অদুগা মুম্বাই অমসুং কোলকত্তাদনা পোক্লকপা অঙাং ১০০০ গী মনুংদা ২০ শিবগী রেকোর্দ ফংই।

দিল্লি সহরগী ওইনা য়েংবদা অঙাং চাদ ৫০ দি স্লমদা লৈ। অদুগা লমদম অদুগী মীশিংগী চাদ ১৪.৭১ না লাইরবগী পনখৈ মখাদা লৈ হায়রি। নেসনেল হেল্থ মিসননা লমদম অদুদা হৈ–শিংলবা হেল্থ ৱার্করশিং থবক তৌহন্নবা অমদি পোকপা কুইদ্রিবা অঙাংশিং হিংহন্নবগীদমক থৌরাং অমা পায়খৎনবা মোনিটর তৌবা হৌখ্রে।

ইন্দিয়াদা অঙাংশিং শোয়দা ঙামদনা হিংহন্নবগীদমক অখন্নবা থৌরাংশিং পায়খৎপা হৌখিবগা লোয়ননা পোকপা নুমিত্তা নিও–নেটেলনা মরম ওইরগা শিবগী চাং হান্না চাদ ৪০ ওইরম্বদু ফগৎলক্লি হায়রি।

# শ্রীনগর–মুজফরবাদকী ঙমখৈগী লমদমদা লল্লোল ঈতিক্কী থবকশিং চখবা হৌখ্রে

**শ্রীনগর, ফেব্রুবারি ২৬ ঃ** চয়োল মঙা হেন্না থিংজিন্দুনা লাকখ্রবা লাইন ওফ কন্ত্রোলগী শ্রীনগর–মুজফরবাদকী লম্বীশিংদা লল্লোল–ঈতিক্কী থবক মহৌশাগুম ঙসিদগী চখবা হৌখ্রে।



লৈবাক অনিগী মরক্তঃ নিংথৌকাবা নুমিত্তা য়ান্নখিবগী মতুং ইন্না কাশ্মিরগী শ্রীনগর–মুজাফরবাদ লম্বীশিংদা ঙসিদগী মহৌশা লল্লোল–ঈতিক্কী থবক চখবা হৌখ্রে হায়না ওফিসিয়েল ওইবা পাউ অমনা ফোংদোরক্লি।

পাকিস্তান্না খুদুম চন্দুনা লৈরিবা কাশ্মির লমদমদগী ঙসি অয়ুক কাশ্মিরগী সলালামাবাদ জেদ ট্রেদ ফেসিলিটেসন সেন্টরদা ত্রক ২২ থুংলখি। ত্রকশিং অদু লল্লোল–ঈতিক্কী পোৎলমশিং থন্না পুরকখিবনি হায়রি। পাকিস্তান্না খুদুম চনবা কাশ্মির লমদমগী ওথোরিটিনা চৎলিবা চহি অসিগী জানুৱারী ১৭ তগী লল্লোল–ঈতিক্কী থবক পুম্নমক থিংজিনখিবনি। মদু মুজাফরবাদতগী পাকিস্তানলোমদা চংশিল্লকপা ত্রক অমদগী ব্রাউন্দ সুগর পেক্কেট ১১৪ ফাগৎখিবদগী অদুগুম্বা খোংথাং অদু লৌখৎখিবনি। লোয়ননা থৌদোক অদুগা মরী লৈননা ত্রক অদুগী দ্রাইভর ফাগৎখ্রে।

থৌদোক অদুদগী শ্রীনগর–মুজাফরগী লম্বীশিংদা লল্লোল–ঈতিক্কী থবক পুম্নমক থিংজিন্দুনা লাকখিবনি। পাকিস্তান্না খুদুম চনবা কাশ্মির লমদমগী ওথোরিটিনা ত্রক অদুগী দ্রাইভর ফাননবা তকশিন্দুনা লাকখি। অদুম ওইনমক নাকল অনিগী ওফিসিয়েলশিংনা য়ান্নরবা মতুং লল্লোল–ঈতিক্কী থবক অদু নৌনা চখবা য়াহল্লকখিবনি হায়রি।

# বি জে পিনা হরক সিংহ রাৱট ফম থাদোক্নবা তকশিনখ্রে

**দেরাহদুন, ফেব্রুবারি ২৬ ঃ** বি জে পিগী সেনিয়ার লিদর অজয় ভটনা ঙসি মিনিষ্টর হরক সিংহ রাৱটপু মোলেষ্ট তৌবগী কেসকা মরী লৈননা খুদক্তা ফম থাদোক্নবা তকশিনখ্রে। মহাক্কী মথক্তা দিল্লিগী নুপী অমনা অদুগুম্বা থৌদোক অদুগা মরী লৈননা কেস অমা থাঙ্গৎলকখি।

থোকখিবা থৌদোক অদুনা মরম ওইরগা উত্তরখন্দবু ইকায়বা নংহল্লে। লোয়ননা মিনিষ্টর রাৱটনা খুদক্তা মোরেল গ্রাউন্দ য়েংলগা ফম থাদোকপা চুমগনি। মহাকপু পুলিসনত্রগা কোর্টনা ময়েক শেংনা ফোংদোরক্ত্রিঙৈদা অদুগুম্বা খোঙথাং অদু লৌহৌবনা চুমগনি হায়না বি জে পি গী লুচিংবা অজয় ভটনা ফোংদোরক্লি।

হরক রাৱটনা মোরেল গ্রাউন্দদা ফম থাদোক্ত্রবদি ষ্টেট অদুগী চিফ মিনিষ্টরসু থৌদোক অদুনা মরম ওইরগা নীকহল্লকপা য়াই হায়রি। লুচিংবা অদুনা মখা তানা ফোংদোকখিবদা, কংগ্রেসকী সাসন অসি হিরম খুদিংমক্তা ফেল ওইরে। নেসনেল হোর্টিকলচর মিসনগী হোলি হাউস প্রমোসন স্কামগা মরী লৈননা বি জে পি না সি বি আই দা থিগৎহন্নবা ৱাফমশিং পুখৎখিবসু লৈখ্রবনি।

স্কাম অদুদা চেন্নখিবা মিনিষ্টর অম্রিতা রাৱট মহাক্কী মপুরোইবা সটপাল মহারাজ, মচানুপা অমদি মহাক্কী মরী মতাশিংগী মথক্তা থিগৎহনবা দরকার লৈ হায়না পার্টি অদুনা অকনবা ৱাফম পুখৎখিবনি।

১৬শুবা লোক সভা মীখলদা ইন্নর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুয়েন্সিদা মণিপুর দেমোক্রেটিক পিপলস ফ্রন্টকী মীরেপ

## ডা. গুরুময়ুম তোনসনা শর্ম্মা



মহাক্কী মোতোনা ‘‘লিবর্টি, ইক্কেলিটি অমদি ফ্রেটর্নিটি’’ হায়বদি ‘‘নীংখা তম্বা, মান্নবা খুন্নাই অমদি মচিন–মনাও ওইবগী চান্ন–চিন্নবা’’ ফেদরেল গভর্নমেন্ট অমা শৌগৎপনি। মীয়াম্না এম দি পি এফতা অহোঙবা মণিপুর অমগীদমক অমসুং মণিপুর কলহৌনবগীদমক মীয়ামগী ভোট পীনবিয়ু।

ইমা লৈবাক মণিপুর মতম অমদা অৱা লান লোইরদুনা চহি ৭ খুন্তাকখিবা (১৮১৯–১৮২৫), ঐখোয় ঈ মশেল মরক্তা লিংজেল মান্নদবা, মচোই তান্নবদগী থোকখিবগী ৱারী লৈ। অদুবু চিংলেন নোংদ্রেখোম্বা (গম্ভীর সিংহ) মহারাজ থোক্লকখি অমসুং ইমা লৈবাক মণিপুর অমুক হন্না নীংখা তম্না পানখি। মতমগী ঈচেলসু অঙকপনি। মতিক মঙাল লৈরবা বৃটিশ সম্রাজ্যগী কোলোনাইজেসনগী শাফুনা মণিপুর য়ৌরক্লবদা বৃটিশকী মখুত্তা ১৮৯১ এ দি এঙ্গলো–মণিপুর লান্দা (খোংজোম লান) মায়থিদুনা ঐখোয়গী মতমদুগী মহারাজ কুল্লচন্দ্র অমদি যুবরাজ টিকেন্দ্রজিৎ মীফা ওইখি, ইপা–ইপু, অকল অথৌশিং মরুওইনা থাঙ্গাল জেনরেল অমদি পাউনা ব্রজবাসি লোয়ননা খোংমী লান্মী কয়া অমসু মরৈবাক্কীদমক্তা মথ্বায় থাখি, অরোইবদা মণিপুর নীংখা তম্বা মাংখি। অদুবু লেপ্পা নাইদ্রবা মতমগী ঈচেলদা চহি কয়াগী মতুংদা দেমোক্রেসিগী মঙালনা কনখৎলক্লবদা বৃটিশ পেরামাউন্টসি পৃথিবীগী মফম অয়াম্বদা মুখরক্লবদা তাং ১৪, ১৯৪৭ মণিপুর লৈবাক বৃটিশশিংনা অমুক মহারাজ বোধচন্দ্রদা শিন্নরম্বনা মণিপুর অমুক নীংখা তম্বা লৈবাক ওইরকখি। অদুম ওইনমক ৱাখল থেনবা লীচিং অমদগী ইন্দিয়াগী লৌতুনবা লাল্লোংদা মায়থিদুনা চয়েৎনবা মার্জর এগ্রিমেন্ট অমা সেপ্টেম্বর তাং ২১, ১৯৪৯ দা শিলোংদা মহারাজনা মীয়ামগী সাসন লৈন–লৈনা মীয়াম তান্নবগী তাঞ্জা ফংখিদনা অয়াবা সহি তৌথোকখিবদগী ওক্টোবর তাং ১৫, ১৯৪৯ চহি অদুমক্তদা ইন্দিয়াগী ফিবান্নুংদা চনখিদুনা নীংখা তম্বা লৈবাক ওইরকখিবদু অমুক হন্না মাংখিরমখি।

হৌজিক্তি ঐখোয় পোলিটিকেল্লি ওইবা ঐখোয়গী ইরমদম ইমা লৈবাক নীংখা তম্না ঙাকচনবগীদমক লাক্লিবা ১৬শুবা লোক সভা মীখলগী তানফম অসিদা ইন্নর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুয়েন্সিদা ইরমদমগী রিজনেল পার্টি এম দি পি এফ না নেসনেল পার্টিশিংবু মায়থিবা পীদুনা পার্লিয়ামেন্টতা রিপ্রজেন্ট তৌদুনা তকখায়নবা / থেঙ্গাইনবা নত্তনা উপায় অমা হৌজিক্কী ওইনদি লৈররোই হায়নীংই। অদুনা হন্দক্কী মীখল অসিদা ঐখোয় শোয়দনা ঙম্নবগীদমক্তা, ঐখোয়গী ওইবা মীওই মায় পাক্নবগীদমক্তা, ভোট কানবগীদমক্তা, মীয়াম্না এম দি পি এফ কী মীরেপ ডা. গুরুময়ুম তোনসনা শর্ম্মদা ভোট পীবিদুনা মণিপুর ইমাগীদমক্তা মায় পাকহনবীয়ু অমদি ইমা মণিপুরবু মীপালগী খুৎ চনবা নেসনেল পার্টিশিংদগী কন্ননবা তাঞ্জা অমা পীবিয়ু অদুগা এম দি পি এফ কী মীয়ামগী ওইবা থৌদাং ১৮ অদু পাঙথোক্লবগীদমক্তা খুদোংচাবা অদু পীবিয়ু। অরোইবদা ঐখোয় পুন্না ইমা লৈবাক মণিপুর খুরুম্মিন্নসি, থৌনিসি, ইমাদগী ‘‘হে ইমা মণিপুর পীনবিয়ু মায় পাকপা লাম্হেংনরিবা মীখা পোনবা হৈরক্তবা নচাশিং ঐখোয়বু’’ লাউরসি খোল্লাও ঐখোয় মায় পাক্লসনু।

***ফোঙজরিবা–***
**পব্লিসিটি কম্মিটি এম দি পি এফ**
হেদ ওফিস ঃ লাইরিকয়েংবম মখা লৈকাই
৩৩ কেভি সব–ষ্টেসন মমাং।

এসএল–২২

# মোদিগী পাটনা রেল্লিদা পোকখায়হনখিবা বোম সপ্লাই তৌবনি হায়বা মীওই ৪ এন আই এ না ফারে

**ভারানসি, ফেব্রুবারি ২৬ঃ** নরেন্দ্র মোদিগী পটনা রেল্লিদা বোম পোকখায়হনখিবা অদুদা বোমশিং অদু সপ্লাই তৌবনি হায়বা মিরজাপুর অমসুং এল্লাহবাদতগী মীওই ৪ নেসনেল ইনভেষ্টিগেসন এজেন্সিনা ফারে।



মিরজাপুরগী কোর্ট অমদা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা পুথোক্লবা মতুং মীওইশিং অদু মরক্কী ওইনা রিমান্দ লৌথনবা পাটনাদা পুরকখি। এন আই এ গী কাংবু অদু নুমিৎ খরনিগী মমাংদগী মিরজাপুরদা কেম্প তৌদুনা লৈরকখিবনি। নিংথৌকাবা নুমিত্তা এন আই এ গী কাংবু অদুনা ফক্রুদিন আলি অমসুং মহম্মদ অহমেদ কত্রাকোটৱালি পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা ইমাম বাদাদগী ফাখি। লোয়ননা লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অয়ুক্তা মহম্মদ রাজু অমদি অনিল পান্দে ফাখি। মখোয় কোটৱালা পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা বরকাচা অমসুং এল্লাহবাদতগী ফাখিবনি হায়রি।

ফারবা মীওই মরি অদু এদিসনেল সিভিল জজ রাকেশ পান্দেগী কোর্টতা পুথোকখি। মখোয়গী মথক্তা বোম পোকখায়হন্নবগীদমক ইন্দিয়ান মুজাহিদিন্দা মীওইশিং অদুনা বোমশিং অদু সপ্লাই তৌখিবনি হায়না মরাল শিরি। তুংদা মখোয়না পুশিল্লকখিবা বোমশিং অদু বি জে পি গী প্রাইম মিনিষ্টরগী মীরেপ ওইরিবা নরেন্দ্র মোদিগী পটনাদা লৈবা গান্ধী মৈদান্দা পাংথোকখিবা রেল্লি অমদা মমাং চহিগী দিসেম্বর ২৭ তা পোকখায়হনখি। পাউ অসিনা মখা তানা ফোংদোরকপদা ফক্রুদিন অলি অমসুং মহম্মদ অহমেদনা অদুগুম্বা থৌদোকশিং থোকহনগদবা টেররশিং অদু মিরজাপুরদা চংজফম পীখি। মদুদা অনিলনা পাইপ বোম অদু মখোয়দা পীখি হায়রি।

পাউ অসিনা মখা তানা ফোংদোরকপদা, এন আই এ না মখা তানা দিষ্ট্রিক্ট অদুদগী মীওই অমসু ফাননবা হোৎনরি। পটনাদা বোম পোকখায়হনখিবা থৌদোক অদুগা মরী লৈননা শেল থুম থাদোক থাজিন তৌবগী মতাংদা এজেন্সি অদুনা য়েংশিন্দুনা লাকখি। রাঞ্চিদা লৈবা বেঙ্ক একাউন্টদগী শেল–থুম থাদোক থাজিন তৌবগী রেকোর্দ ফংখি। একাউন্টশিং অদু ফক্রুদিন অমসুং অহমেদকী মিংদা লৈবনি হায়রি।

ইং ২০১৩ গী নবেম্বর ২৮ দা থোকখিবা থৌদোক অদুগী মতাংদা টাইমস ওফ ইন্দিয়ানা ময়েক শেংনা পাউ ফোংখি। পাউ অদুদা এন্টি টেরর স্কৱাটশিংনা তুমিন্না লৈশিল্লে। পোকখায়হনখিবা বোম অদু বারানাসিদা চেনবা বস অমদগী ফাগৎখিবা বোম অদুগা মান্নে হায়না ফোংদোরক্লি। পটনাগী বোম মথং মথং পোকখায়হনবগী থৌদোক থোক্ত্রিঙৈগী মমাংওইননা এন আই এ না চেকশিন থৌরাং লৌখৎনবা খঙহনখিবা লৈখি হায়রি।

